# পুলিসকী বসশিংদা টালিবান্না এটেক তৌখ্রে, য়ামদ্রবদা কেদেট ২৭ শিখ্রে, ৪০না অশোক অপন নংখ্রে

কাবুল, জুন ৩০ (এজেন্সী) ঃ

কাবুলদা পুলিস কেদেটশিং হোন্দুনা চৎপা বসশিংগী কনভোই অমদা ঙসি টালিবান্না শাথিরবা বোমগী এটেক অমা চথদুনা য়ামদ্রবদা পুলিসমেন ২৭ হাৎখ্রে অমসুং ৪০না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

এটেক অদু কনাদিয়ন এম্বেসিদা থবক তৌনবা মিনিবস তোংদুনা চৎখিবা নেপালি সিক্যুরিটি গার্দ ১৪ অচৌবা বোম অমা পোকখায়হন্দুনা হাৎখিবা চয়োল অমা খিত্তং হেল্লকপা মতমদা চথুরকখিবনি।

"ঐখোয়না হৌজিক ব্লাষ্ট অদুগী চপ চাবা মওং মতৌগী মরমদা থিজিল্লি, মদু সুইসাইদ এটেকলা, কার বোম নৎত্রগা করিনো হায়বদু হৌজিক হৌজিক খঙবা ঙমদে" হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, এটেক অদু বসশিং অদুনা সিটি অদুগী নোংচুপলোমথংবা চিদাইগী মফম অমদা কেদেটশিং হোন্দুনা চৎলিঙৈ অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা থোকখিবনি।

বোম পোকখায়বদু য়াম্না থুনা টালিবানগী স্পোক্সমেন জাবিহুনা মুজাহিদনা ক্লেম তৌখি। মহাক্না মদু সুইসাইদ এটেক অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মদুদা মীওই কয়া শিখ্রে অমসুং কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে হায়খি।

এ এফ পিগী রিপোর্টর অমনা থৌদোক থোকফমদগী ফোঙদোকখি মদুদি, এরিয়া অদু সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা মী চঙহন্দনা থমখ্রে তৌইগুম্বসুং পুলিস কেদেটশিং তোংবা অশংবা মচুগী বস মঙা অমসুং মখোয়বু এস্কোর্ট তৌখিবা হমভী ভেহিকল অমা অকায় অতোয় থোকখ্রে।

য়ু এসনা লূচিংদুনা কুমজা ২০০১গী অথেংবদা লান্দাদুনা পৱারদগী চিংথুখিবা মতুংদা নৌনা মপাঙ্গল কনখৎলক্লবা টালিবান্না নোংচুপলোম্না শৌগৎপা কাবুল গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা অকনবা লাঞ্জং অমা চঙশিল্লকখি। লৈবাক্কী মফম কয়াদা মখোয়না হন্দক মখোয়গী ফীভম ফগৎহনবা ঙমখি।

তৌইগুম্বসুং ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনসু অফঘানিষ্টানদা মরু ওইনা নোংপোকথংবা শরুক্তা চঙশিন্দুনা মখোয়গী মফম লিংনবা হোৎনরকখি। মখোয়না টালিবান মশাগী লমদমদুদা গ্রুপ অসিবু শীংনখি।

হৌখিবা জুন ২০দা নেপালি সিক্যুরিটি গার্দ ১৪ মিনিবস তোংদুনা চৎলিঙৈদা বোম পোকখায়হন্দুনা হাৎখিবদগী নেপালনা লাল নংলবা লৈবাক অদুদা নেপালিজশিংনা থবক শুদুনা লৈবদা অথিংবা থমখি। নুমিৎতুমক্তদা অফঘানিষ্টানগী মফম কয়াদা চথুখিবা অতৈ বোমগী এটেকশিংদা অতৈ মীওই ১১সু শিখি।

অফঘানিষ্টানদা য়ু এস-নেটোগী কোম্বেট মিসন কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বরদা লোইখি। মদুদগীদি য়ু এসকী ফোর্সশিংনা মরু ওইনা এদভাইজরিগী থৌদাং লৌদুনা লাকখি। থৌদাং অসি লৌবগা লোয়ননা মখোয়না আই এস গ্রুপ অমসুং অল-কাইদাগী লেমহৌরিবশিংগী মায়োক্তা কাউন্টর টেররিজম মিসনশিংসু পাঙথোকখি।

য়ু এস ফোর্সশিংদা মশা ঙাকথোক চনবা নৎত্রগা অফঘান লান্মীশিংবু প্রোটেক্সন পীনবগী ওইনা টালিবান টার্গেটশিংদা হিট তৌনবগী পৱার শিন্নখি। তৌইগুম্বসুং হন্দক অহোংবা খরা লাক্লিবসিনা য়ু এসকী ট্রুপশিংনা লোকল ফাইটরশিংগা নকশিন্ননা থবক তৌমিন্নদুনা টালিবান্দা ষ্ট্রাইক তৌবা য়াই হায়বসি উৎলে হায়রি।

টালিবান্না লৈবাক অদুদগী মীরৈবাক্কী ফোর্স খূদিংমক চৎখিনবা দিমান্দ তৌরিবনি। টালিবান্না মখোয়গী কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা পুলিসতা তোয়না এটেক তৌই অমসুং হন্দক্তা এ এফ পিনা ইনভেষ্টিগেসন চথুবদা টালিবান্না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা শীজিন্নবা অঙাং ওইরিবা সেক্স স্লেভশিং শীজিন্নদুনা শাথিরবা ইন্সাইদর এটেক কয়া পাঙথোকই হায়বসি খঙলকখি।

অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট অশ্রাফ ঘানিনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা গভর্ণমেন্টগা মরী লৈনবশিংনা অদুগুম্বা মওংগী এব্যুজ তৌবগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথুনবা ওর্দর তৌখি।

পিছ টোক চথদুনা লাল অদুবু লোইশিন্নবা হোৎনরকখিবা কয়াসু হৌখিবা থাদা পাকিস্টানগী লম মনুংদা য়ু এসনা দ্রোন এটেক চথদুনা টালিবানগী চীফ মুলা অখতার মানসৌরবু হাৎখিবদগী মতম কক্তনা করি লাক্কদগে খঙদবীদা থবক লেপ্পগী ফীভম লাকখি। মহাক্কী মহুৎ শিনবা হাইবাটুলা অখুন্দজাদানা মহাক্কী হান্নগী বোসকী মতৌ তমদুনা অফঘান গভর্ণমেন্টকা ৱারী শানবগী ৱাফম পনবা য়াদবগী মওং অমা লৈখিবদুগা মান্ননা চৎকদৌরিব্রা হায়বা শেংনা খঙদ্রি হায়রি।



## পাকিষ্টানন্না অফঘান রিফ্যুজিশিংনা লৈবগী মতম থা ৬ শাংদোকখ্রে

ইস্লামাবাদ, জুন ৩০ (এজেন্সী) ঃ

পাকিষ্টানদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রেজিষ্টর তৌবা অফঘান রিফ্যুজিশিংনা লৈবাক অদুদা মখা তানা লৈথবগী মতম থা ৬ অমগা শাংদোক্লুনা কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর ৩১ ফাওবা লৈহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা ঙরাং অয়াবা পীখ্রে।

"মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরন এফ্যের্স অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ ষ্টেটস এন্দ ফন্টিয়র রিজন্সনা পাকিষ্টানদা লৈরিবা রিফ্যুজি কেম্পশিংবু অফঘানিষ্টানদা তপ্পা তপ্পা হোংজিনবা য়ানবা য়ু এন ঐচ সী আর অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফ অফঘানিষ্টানগা খুদক্তা ইনগেজ তৌনরগনি" হায়না প্রাইম মিনিষ্টরগী স্পোক্সপার্সন্না হায়খি।

"অফঘান রিফ্যুজিশিংবু ময়ুমদা হলহনবা অমসুং মখোয়গী মেনেজমেন্ট পোলিসি রিভ্যু তৌরবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর শরিফনা দিরেক্টিব অদু ইস্যু তৌখিবনি" হায়না প্রাইম মিনিষ্টরকী ওফিসনা হায়খি।

অফঘান রিফ্যুজিশিংবু পাকিষ্টানদা লৈবা য়াহল্লিবা 'রেজিষ্ট্রেসন প্রুফ' কার্দশিং চৎনবগী মতম জুন ৩০দা লোইহল্লম্বনি হায়না দোননা ওনলাইনদা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি প্রাইম মিনিষ্টরনা অয়াবা পীখিবদগী রেজিষ্টর তৌবা অফঘান রিফ্যুজিশিংনা এপ্রুভ তৌবা মতম অদু ফাওবা পাকিষ্টানদা লিগেল্লি লৈবা য়ারগনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী স্পোক্সপার্সন্না মখা তানা হায়খি মদুদি, রিফ্যুজি কেম্পশিং অফঘানিষ্টানদা হোংবদা খুদোংচানবা অমসুং মখা তানা গুদৱিল উৎপা ওইনা পাকিষ্টানন্না নৌনা মফম হোংলিবা কেম্পশিংদুদা চহী ৩ মমল লৌদনা গেহু পীগনি।

"পীগদৌরিবা গেহুগী চাং অদু পাকিষ্টানদা লৈরিবা কেম্পশিংদগী হল্লকপা রিফ্যুজিশিংগী সার্টিফিকেট মশীং অমসুং ফুদ এন্দ এগ্রীকলচর ওর্গনাইজেসন (এফ এ ও)গী ষ্টেন্দর্দসকী মতুং ইন্না লেপ্লিবা রিফ্যুজি অমগী নোংমগী চাকথুংগী মতুং ইন্না লেপকনি" হায়না স্পোক্সপার্সন অদুনা হায়খি।

অদুম ওইনমক মখা শাংথনা লৈনবগী খুদোংচাবা অসি "রেজিষ্ট্রেসন প্রুফ"কী কার্দ পায়বশিং অমসুং পাকিষ্টান্দা লোনা য়ারগা লৈবা অফঘানশিংদা পীগনি।

খাইবর পাকটুনখৱা প্রোভিন্সতা রেজিষ্টর তৌবা রিফ্যুজি ১০০,০০০ লোমদমক লৈ হায়না প্রোভিন্স্যল ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর মুস্তাক অহমদ ঘানিনা হায়খি।

## ইরাক্তা ইস্লামিক ষ্টেটকী মথক্তা কোলিসন্না এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথখ্রে, ফাইটর ২৫০ হাৎখ্রে

ৱাশিংটন, জুন ৩০ (এজেন্সী) ঃ

য়ু এসনা লূচিংবা কোলিসন এয়রক্রাফটনা ঙরাং ফালুজা সিটিগী অকোয়বদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মথক্তা শাথিরবা এয়র ষ্ট্রাইক কয়া পরিাং নাইনা চথখ্রে হায়না য়ু এসকী ওফিসলশিংনা রোইটর্জদা ফোঙদোকখ্রে। ওফিসল অমনা অহানবগী ওইনা পাবদা চাউরাক্লা য়ামদ্রবদা ফাইটরশিংনি চিংনবা মীওই ২৫০ হাৎখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা ভেহিকল্ল ৪০ থুগাইখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।



ফিগরশিং অসি কনফার্ম তৌবা তারবদি এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদু জিহাদিষ্ট গ্রুপ অদুগী মায়োক্তা হৌজিক ফাওবদা চথুরকখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবশিংগী মনুং চনগনি হায়রি। ওপরেসনশিংদুগী মরমদা পাউদমবদা ওফিসলশিংদুনা মখোয়গী মশক মমিংশিং তাকথোকখিদে অমসুং অহানবগী ওইনা পারিবদুদা অহোংবা লাকপা য়াই হায়খি।

মীওই কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্লখ্রবা সিটি অদুগী খা থংবা শরুক্তা চথুখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদু সিরিয়া অমসুং ইরাক্তা মশানা ক্লেম তৌজখিবা কলিফেটকী মনুংদা ইস্লামিক ষ্টেটনা হন্দক ইনৌ নৌনা খ্বাইদগী চাউনা অমাঙ-অতা নংখিবশিংগী মনুং চল্লি।

গ্রুপ অদুগী মখুৎতগী লম কয়া মাঙখিদুনসু মখোয়না মপান্দা এটেক কয়া চথবা ঙম্বগী অকিবা লৈরিবদুদি হন্থদে হায়রি। হৌখিবা য়ুমশকৈশদা ইস্তানবুলগী মরু ওইবা এয়রপোর্টতা সুইসাইদ বোম্বিং অহুম অমসুং নোংমৈ এটেক চথদুনা মীওই ৪১ হাৎখিবগী থৌদোক্কী মতাংদসু টর্কিনা ইস্লামিক ষ্টেটতা খুৎ থিনখি।

সী আই এগী চীফ জোন ব্রেনাননা ৱাশিংটনদা ফোরম অমদা হায়খি মদুদি, এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেটকী মোরেল মচেৎ অমত্তা য়াওদবা ফৎত্রবা থৌদৌশিংগী মওং মতৌ চেল্লি অমসুং মহাক্লা গ্রুপ অদুগী মায়োক্তা চঙশিনখিগদবা লম য়াম্না ৱাৎলি মরু ওইনা গ্রুপ অসিনা এটেক কয়া মপান্দা হেকতা পাঙথোকপা ঙম্লিবসিদা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়খি।

"ঐখোয়না ঐখোয়গী কোলিসন পার্টনরশিংগা লোয়ননা সিরিয়া অমসুং ইরাক্তা শীংথানিঙাই ওইবা মওংদা খুমাঙ চাউশিনবা খরা ঙমখ্রে। লৈবাক অনী অসিদা আই এস আই এসকী মেম্বর অয়াম্বা হৌজিক ময়ুম ওইনা লৈনরি" হায়না ব্রেনাননা হায়খি।

"তৌইগুম্বসুং আই এস আই এসনা মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং মখা তানা শন্দোকপা ঙম্বা, ইরাং হৌহনবা অমসুং এটেকশিং অসিবু চথবা ঙম্বা অসিনা ঐখোয়না মখোয়গী মায়োক্তা শীংথানিঙাই ওইনা চঙশিনবা ঙল্লে হায়না তরাইনা হেক্তা হায়বদু য়াদ্রিবনি। ঐখোয় গ্রুপ অসিগী মায়োক্তা মখা তানা চঙশিনগদবা লৈরি।

হন্দক চয়োল খর অসিদা লানবুংদা য়ু এসনা লূচিংবা কোলিসন্না ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা ফীভম অমা তানা খুমাঙ চাউশিন্দুনা গভর্ণমেন্টনা ফালুজাদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা মায় পাক্লে হায়না লাউথোকপা ঙমখ্রে।

নোরদর্ন সিরিয়াগী মনবিজ সিটিদা মিলিস্যাশিংগী এলাইয়েন্স অমনা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগী মায়োক্তা অচৌবা লান্দা অমা পাঙথোকপা হৌখ্রে।

পুম্নমকসি ওইদুনসু লাল অসিগী মমাঙদা অমুক চঙশিনবা অমসুং মতুং অমুক হনবগী মওং মতৌবু নীংশিংহনবা খোঙথাং অমদা য়ু এসনা শৌগৎপা সিরিয়ন রেবেলশিং ইরাক্লা লোন্নবা বোর্দরদা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটনা পায়শিন্দুনা থল্লিবা টাউন অমা অমসুং মনাক নকপা এয়রবেজ অমদগী মনিং হন্দোকখ্রে হায়রি।

জিহাদিষ্টশিংনা কাউন্টর এটেক অমা চথবদগী য়ু এস ফোর্সশিংনা বেকিং পীবা রেবেলশিং অদু মনিং হনখিবনি হায়রি।

## টর্কিশ পুলিসনা ইস্লামিক ষ্টেটকী সেলশিংনি হায়না চিংনবা মফমশিংদা রেইদ কয়া চথখ্রে

ইস্তানবুল, জুন ৩০ (এজেন্সী) ঃ

ইস্তানবুলদা লৈবা টর্কিগী খ্বাইদগী চাউবা এয়রপোর্টতা সুইসাইদ এটেক অহুম চথদুনা অমসুং নোংমৈ কাপ্পুনা মীওই ৪২ শিহনখ্রবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা ঙসি টর্কিশ পুলিসনা ইস্তানবুল অমসুং এজিয়ন কোষ্টেল সিটি ইজমিরদা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটকী সেলশিংনি চিংনবশিংদা রেইদ কয়া চথখ্রে হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী অনাদোলুনা ফোঙদোক্লি।



য়ুরোপকী অহুমশুবা মথৌ খ্বাইদগী চিনবা এয়রপোর্টতা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা পাঙথোকখিবা নোংমৈ অমসুং বোমগী এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেটকী খুৎনি হায়না টর্কিশ ওথোরিটিশিং অমসুং য়ু এসকী ওফিসলশিংনা থাজৈ। এটেক অদু চহী অসিদা টর্কিদা পরিং নায়না চথুরকখিবা সুইসাইদ বোম্বিংশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবনি হায়না লৌনরি।

স্পেসল ফোর্সেসকী ওফিসরশিংনা লূচিংবা কাউন্টর টেররিজম পুলিসনা পেন্দিক, বাসাকসেহির অমসুং সুল্টানবেলি য়াওনা ইস্তানবুলগী শেল-থুমগী ফীভমদা খরা শোথুনা লৈবা মফমশিংদা রেইদ কয়া পাঙথোকখি হায়না অনাদোলুনা সোর্চ্ছশিং পন্দবীদা হায়খি। রেইদশিংদু অতাটুর্ক এয়রপোর্টতা চথখিবা এটেক্তুগা হকথেংননা মরী লৈননা চথখিব্রা হায়বদুদি খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

মরকসিদা, সিরিয়াদা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটকী মেম্বরশিংগা কন্টেক্ট তৌনবনি হায়না থাজবা মিলিটেন্টশিংনি হায়না চিংনবা মীওই মাপন ইজমিরগী দিষ্ট্রিক্ট মরিদা অয়ুক অঙনবদা চথখিবা রেইদশিংদা ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়না ন্যুজ এজেন্সী অদুনা হায়খি। মখোয় অদু সুনি হার্দ লাইন গ্রুপ অদুদা ফাইনান্স তৌবা, মী রিক্রুট তৌবা অমসুং লোজিষ্টিকেল সপোর্ট পীবগী মরাল শীখি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা ইস্তানবুলগী এয়রপোর্টকী মপান্দা সুইসাইদ বোম্মর অহুম্না অহানবদা নোংমৈ কাপ্পুনা মীয়াম্বু মীপাইহল্লবা মতুং মখোয়গী মনুংদগী অনীনা মনুংদা চঙশিন্দুনা মখোয়গী মশাদা য়াওরিবা বোমশিংদু মশা কোন্ননা পোকখায়হনখি। অহুমশুবা বোম্মরদুনা টর্মিনেলগী চঙফমদুদা পোকখায়জখি। এটেক অদুদা মীওই ২৩১ শোকখি।

টর্কি অসি ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা য়ু এসনা লূচিংদুনা লাল শোক্লরিবা কোলিসনগী শরুক অমনি অমসুং লৈবাক অসিদা চহী ৫ সিবিল ৱার শোক্ল রক্লিবা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক সিরিয়াদগী চেনশিল্লকপা রিফ্যুজি মিলিয়ন ৩ রোম লৈ। ইস্লামিক ষ্টেটনা সিরিয়া অমসুং ইরাক অনীমক্কী লম কয়া খুদুম চনশিন্দুনা মশানা লাউথোকচবা কলিফেট অমা শেমখি অমসুং মুস্লিম নত্তবশিং অমসুং সুনি ইস্লামগী হকচিনবা ৱাখল্লোনশিংদা থাজবা থমদবা মুস্লিম খূদিংমক্কী মায়োক্তা লাল লাউথোকখি। গ্রুপ অসিনা মমাঙদা বেলজিয়ম অমসুং ফ্রান্সতা চথখিবা মান্নবা বোম্বিং অমসুং নোংমৈগী এটেকশিংসু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখিবনি।

## নুপীমচা ১ তুম্লিবৈঙেদা থাঙনা থিনখ্রে

জেরুসলেম, জুন ৩০ (এজেন্সী) ঃ

চহী ১৩ শুবদা ঙাইরিবী ইজরেলি নুপীমচা হালেল য়াফা অরিয়েল কিরয়াট অর্বাদা লৈবা মহাক্কী বেদরুমদা তুমদুনা লৈরিবৈঙেদা থাঙনা থিনখ্রে।

থৌদোক অদুদা খুদোংথিবা নংলবা নুপীমচা অদুবু কন্নবা খুৎলৈ থুনা চঙশিনখিবা সিক্যুরিটি গার্দ অমা এটেক্কর অদুনা শোকহনখি। মমৈথংদা পালেষ্টিনিয়ন এটেক্কর অদু অতোপ্পা গার্দশিংনা কাপ্পুনা হাৎখি হায়রি।

পালেষ্টিনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা এটেক্কর অদু চহী ১৯ শুরবা মোহম্মদ টারারেহ কৌবা মনাক নকপা বানি নাইম ভীলেজদগী নহা অমনি হায়না মশক তাকখি।

হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর থাদগী হৌজিক ফাওবদা পালেষ্টিনিয়নশিংনা থাঙ, নোংমৈ অমসুং কারনা থেংজিন্দুনা চথুরকখিবা এটেকশিংদা ইজরেলি ৩৪ শিখ্রে। হায়রিবা মতম অসিদা পালেষ্টিনিয়ন ২০০ হেন্না শিখ্রে। মখোয়দু অয়াম্বনা ইজরেলিশিংদা এটেক তৌবা মীওইশিংনি হায়রি।

শিখিবা এটেক্করশিং অদু মখোয়না ইজরেলিশিংদা এটেক পাঙথোক্লিঙৈদা মখোয়গী ভীক্টিমশিংনা নৎত্রগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপখিবা ঙাক্তনি। এটেক্কর খরদি ফাখি হায়রি।

শগোলশেন নুমিৎকী থৌদোক অদুদা পালেষ্টিনিয়ন এটেক্কর অদু কিরয়াট অর্বা ফাওদুনা লাক্লগা সেট্টলমেন্ট অদুবু কোইশিল্লিবা শম্বলগা তায়ননা লৈবা হালেল অরিয়েলগী ময়ুমদা চঙখিবনি হায়রি। ইজরেলি মিদিয়ানা নুপীমচা অদু মহাক্কী হকচাংগী মথক থংবা শরুক্তা হঞ্জিন হঞ্জিন থাঙনা থিনখি হায়না ইজরেলি মিদিয়ানা ফোঙদোকখি।

মহাক অরুবা ফীভমদা জেরুসলেমগী সারে জেদেক মেদিকেল সেন্টরদা পুখৎখি অদুবু ঙাইহাক্কী মনুংদা শিখি হায়না হোস্পিটালগী ওফিসলনা হায়খি।



HL-B/3146/18/05-17/06

# EMPLOYMENT NEWS

### BHARAT ELECTRONICS LIMITED – BEL RECRUITMENT 2016 – 07 SENIOR ENGINEER VACANCY – LAST DATE 20 JULY

**BEL Recruitment 2016**
Bharat Electronics Limited invites Applications for the post of 07 Senior Engineer . Apply Online before 20 July 2016.
**Job Details :**
**Post Name :** Senior Engineer (Civil/Electrical)
**No. of Vacancies :** 07 Posts
**Pay Scale :** Rs. 20000-46500/-
**Eligibility Criteria for BEL Recruitment :**
**Educational Qualification :** B.E. / B.Tech in Civil/Electrical/ AMIE from AICTE approved College/Institute or a recognised University.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :**
**For General Candidates :** 32 years
**For OBC candidates :** 35 years
**For SC/ST candidates :** 37 years
**Job Location :** All India
**Selection Process :** Selection will be through Written Test & Interview.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.500/- through Challan. SC/ST/PWD candidates are exempted from payment of application fee.
**How to Apply BEL Vacancy :** Interested candidates may apply online through the website http://www.bel-india.com from 29.06.2016 to 20.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date for Submission of Online Application :** 29.06.2016
**Last Date for Submission of Online Application :** 20.07.2016
**Last Date for Uploading Challan & Online registration :** 23.07.2016
**Date of Uploading of Admit Cards on the website :** 08.08.2016
**Date of Written Test :** 21.08.2016
**Date of Interview :** 15 to 17.09.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://www.bel-india.com/sites/default/files/Recruitments/ADVT-NCS-detail-WEB-SE.pdf
**Apply Online :** http://jobapply.in/belghaziabad16/

### BEL RECRUITMENT – 07 CONTRACT ENGINEER VACANCY – LAST DATE 20 JULY 2016

Bharat Electronics Limited invites Applications for the post of 07 Contract Engineer . Apply Online before 20 July 2016.
**Job Details :**
**Post Name :** Contract Engineer (Electronics/Mechanical)
**No. of Vacancies :** 07 Post
**Pay Scale :** Rs. 18000/-
**Eligibility Criteria for BEL Recruitment :**
**Educational Qualification :** First class for General and OBC Candidates and Pass Class for SC/ST candidates in BE / B.Tech (Mechanical/Electronics / Electronics & Communication, Electronics & Telecommunication, Telecommunication, Communication) from a recognized University/ institution.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 25 years As on 01.06.2016
**Job Location :** Bangalore (Karnataka)
**Selection Process :** Selection will be through Written Test & Interview.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.500/- through Challan. SC/ST/PWD candidates are exempted from payment of application fee.
**How to Apply BEL Vacancy :** Interested candidates may apply online through the website http://www.bel-india.com from 29.06.2016 to 20.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date for Submission of Online Application :** 29.06.2016
**Last Date for Submission of Online Application :** 20.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://bel-india.com/sites/default/files/Recruitments/PDnIC-Contract-Engineer-AD.pdf
**Apply Online :** http://bghr-recruitment.com/Default.aspx?recid=132

### BEL RECRUITMENT – 19 DEPUTY ENGINEER VACANCY – LAST DATE 20 JULY 2016

Bharat Electronics Limited invites Applications for the post of 19 Deputy Engineer . Apply Online before 20 July 2016.
**Job Details :**
**Post Name :** Deputy Engineer (Electronics)
**No. of Vacancies :** 19 Posts
**Pay Scale :** Rs. 16400-40500/-
**Eligibility Criteria for BEL Recruitment :**
**Educational Qualification :** B.E. / B.Tech / B.Sc Engineering / AMIE from AICTE approved College/Institute or a recognised University.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :**
**For General Candidates :** 28 years
**For OBC candidates :** 31 years
**For SC/ST candidates :** 33 years
**Job Location :** All India
**Selection Process :** Selection will be through Written Test & Interview.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.500/- through Challan. SC/ST/PWD candidates are exempted from payment of application fee.
**How to Apply BEL Vacancy :** Interested candidates may apply online through the website http://www.bel-india.com from 29.06.2016 to 20.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date for Submission of Online Application :** 29.06.2016
**Last Date for Submission of Online Application :** 20.07.2016
**Last Date for Uploading Challan & Online registration :** 23.07.2016
**Date of Uploading of Admit Cards on the website :** 08.08.2016
**Date of Written Test :** 21.08.2016
**Date of Interview :** 15 to 17.09.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://www.bel-india.com/sites/default/files/Recruitments/WebadvtSCCS-28-06-2016.pdf
**Apply Online :** http://jobapply.in/belghaziabad16/

### BEL RECRUITMENT – 02 JUNIOR LADY SEARCHER VACANCY – LAST DATE 12 JULY 2016

Bharat Electronics Limited invites Applications for the post of 02 Junior Lady Searcher. Apply before 12 July 2016.
**Job Details :**
**Post Name :** Junior Lady Searcher
**No. of Vacancies :** 02 Posts
**Pay Scale :** Rs. 7960-21020/-
**Eligibility Criteria for BEL Recruitment :**
**Educational Qualification :** SSLC Pass with 03 years of Service in the defence Forces/ Paramilitry Forces /Tamilnadu State Police.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 35 years (As on 01.04.2016)
**Age Relaxation :**
**For SC/ST Candidates :** 5 years
**For OBC Candidates :** 3 years
**For PWD Candidates :** 10 years
**Job Location :** Chennai (Tamiilnadu)
**Selection Process : Selection will be made on Written Test & Practical Test.**
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 300/- through Demand Draft in Favour of Bharat Electronics Limited . SC/ST/PWD candidates are exempted from payment of application fee.
**How to Apply BEL Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with self attested copies of the relevant documents & a recent passport size photograph send to Deputy General Manager [HR&A], Bharat Electronics Limited, Bel-Army-Road Nandambakkam, Chennai-600089 on or before 12.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date for Submission of Application :** 12.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application Form Link :** http://www.bel-india.com/sites/default/files/Recruitments/JrLadySearcherWebADOBCSCSTCer21-06-2016.pdf